# চাওখৎপগী ঈচেলনা থেংলমদ্রবা মণিপুর

**- এস ইন্দ্রকুমার-**

ভোকেশন হায়বা ইংরাজি ৱাহৈ অসি মীওইবা ওইনা পোল্লবশিংগী মফমদদি য়াম্না মরু ওইবা ৱাহৈ অমনি। ৱাহৈসিগী ৱাহন্থোকপুদি খঙদবা মী ইরৈ লৈরমগনি থাজদে খঙদ্রবসু দিক্সন্যারিদা য়েংলগা খঙবা য়াই- 'শিনফম অমা পায়রগে খল্লকপগী অকনবা ইথিল'। ৱাহৈ অমখক্লা মহুৎ শিল্লগা শীজিন্নবা য়াবা ৱাহৈদুদি শেল্লমদবা মাল্লে, তোয়না শীজিন্নরকপা থেংনদে। অনৌবা ৱাহৈ অমা শেমগৎলম্বসু তৌদে। থোইনা মরু ওইদবা ৱাখল অমা ওইরম্বা তাই।

মীওইবগী মীশিংনা হেনগৎলকপগা হিংনবই শিনফম থিবসি অচৌবা অৱাবা অমা ওইরকপদগী 'ভোকেশনেল ত্রেনিং' হায়বা থবক অমা পুথোক্লকই। থবক হৈবা হৈতবা, মী মখল অনী থোক্লকই। হৈতবদু হৈহন্নবা ত্রেনিং পীবা তারকই, ত্রেনিং সেন্টর লিংখৎলকই। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদই তারক্লে- ভোকেশনেল ত্রেনিং সেন্টর। স্কুল-কোলেজনচিংবদা চত্তবা/লাইরিক তমদবা মীশিংবু অহল-লমন, মমা-মপা ওইবশিংনা অসিগুম্বা সেন্টরশিংদা থানরকই। ভোকেশনেল ত্রেনিং সেন্টর -মতম কুইরবগী মমাঙদগী তানরক্লগসু, মীয়াম্না পাম্নবা মায় পাক্লবা সেন্টর অমা ওইনদি কনানসু লৌনরক্তে। থিবোঙ চরা হেন্দনবা, পামজবা শিনফম অমদা অদুক খূৎলোয়নবা তম্লুবগুম লৌনৈ। মসিগী মরু ওইবা মরমদি পীক্কে পীকউ, চাউগে চাউ, লৈঙাক্কী তোলোপ চাবা থবক নত্তবা থবক অমবু মীয়াম্না ইকায়খুম্নদবগী চৎনবী লীক্লম অমা লৈখিবা অসিননি।

ঙসি ঐনা ৱারেংসিগী ৱাহৌ ওইনা ইজরিবসি মরম অমা লৈদুননি। মতম অমদা মীয়াম্নসু, লৈঙাক্নসু মরু ওইবা হীরম অমা ওইনা লৌনরম্বা, করিয়র এদ্যুকেশন নৎত্রগা টেক্লিকেল এদ্যুকেশন হায়বা ফাওবা মমিং থোন্দুনা অচৌবা প্রোগ্রাম অমা ওইনা পায়খৎনরম্বা ঙসিদি ইতিহাসকী কাউখ্রবা পন্দুপ অমগুম্লক্লে। পোলিটেক্লিক অমদি আই টি আই (ইন্দষ্ট্রিঅল ত্রেনিং ইন্সটিট্যুট) লিংখৎনখিবা - ভোকেশনেল এদ্যুকেশনগী থৌশিল অমা ওইননি। মণিপুরগুম্বা ইন্দষ্ট্রিঅল সেন্টর লৈতবা লমদমসিদদি 'ভোকেশনেল এদ্যুকেশন মিশন' - মায় পাক্ত্রবা, কান্নদ্রবা থৌরাং অমনি।

গভর্ণমেন্ট জোব নত্তবা অতৈ থবক পূম্নমকসি মথম্মোয়না পামদবা লৈবাক্কী নাগরিক মক্তা ওইবনা থবক শূরগা হিংবগী ৱার্ক কলচর অদু তপ্না-তপ্না মাঙলকখি। ইম্পোর্টেন্ট হায়বসিনা কোনশিল্লিবা থবকসি লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্ট নৎত্রগা পব্লিক সেক্টরদা থবক শূরিবা মখোয়দুতবু খঙনরকখি। লৌউ-শিংউ অমসুং শঙ্গোমগী পোথোক পুথোকপগী গ্রীন অমসুং হ্বাইট রেভল্যুশন অনীদুনদি শোক্লন্নগা 'ইন্দষ্ট্রিঅল রেভল্যুশন'নদি শোক্লমদ্রিবা মরম অসিনা ওইগনি। হেভি ইন্দষ্ট্রি লিংলমদ্র'সু গান্ধীগী ৱা তারমদুনা 'কোট্রেজ ইন্দষ্ট্রি' মতিক চানা লিংলল্লবা, খূৎ-শা হৈবা শিন্মী মশীং খঙদনা লৈরমগনি।

নীংতম্বা লৈবাক ওইর' মতুং চহী ৭৭ হেল্লক্লফাও, লম্ কয়াদা মীখা পোনবা ইকোনোমি ওইদুনা অসুম লৈরকপা, মালেমগী খ্বাইদই চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়না চাউথোকচরগসু মীমাঙ থোকপা ঙমদবা, ৱাথোক চাউবা পোলিটিক্সকীদমক মালেমদা মমিং লৈরকপদুনা, ইকনমিক দিভেলপমেন্ট নত্তবা, মনীং হল্লবা ইকোনোমি অমা ওইরকখি। মালেমগী কৈথেলদা ইন্দিয়াগী মফম লৈরকখিদে। য়ুরো, পাউন্দ অমদি দোল্লরগা চাংদম্নবদা ইন্দিয়ন 'রুপী' (লুপা) গী ভেল্যু অঙকপা ফংনা ইকায়নীংঙাই ওইবা থাক্তা হন্থরকখি।

কুইনা তূমখুন হুল্লুরবা ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্ট থেঙনা মীকপ থোক্লকখি। কুমজা ২০১৪, সেপ্টেম্বর ২৫দা লাউথোরকই - ইন্দিয়াগী কৈথেলদা য়োন্নবা পোৎ-চৈ শারিবা মল্টি নেশনল কম্পনি পূম্নমক, পোৎ অদু ইন্দিয়াদা শাগদবনি। নীংতম্বগী অন্দোলন হৌরিঙৈ মহাত্মা গান্ধীনা হায়রম্বদা নত্তনা, মখূৎমক্লা প্রাক্টিকেল্লি তৌখ্রবা মতুং চহী চাম্মগী মতুংদা হৌনবা ৱাখল খল্লকই। ৱাখল মোন্দ্রং শান্নবনা কান্নদে থবক হৌ, ষ্টার্ট নাও ... মেক ইন ইন্দিয়া, ইন্দিয়াদা শাও। থেঙনা য়াথং তৌরকই।

মীকপ থোক্লকপদা খঙলক্লে - পোলিটিসিয়ন'নি হায়দুনা য়াথং তৌবখক্তনা য়াদে। থবক হৌগে তৌরকপা, ইশানা শীজিন্নরিবা পোৎ অদু ইশানা শাজগে তৌরকপদদি থবক অদু তৌনবা, থবক হৈবা মী ইন্দিয়াদা লৈরমদ্রে। ষ্টার্ট অপ এন্দ ষ্টেন্দ অপ নাও - লেপখৎলো, হৌগৎলো, হৌজিকমক থবক হৌরো - মেক ইন ইন্দিয়া, ইন্দিয়াদা শারো... লাউথোক্লুরগা খঙলক্লে- হান্না থবক হৈহনবা তাই। থবক্কী স্কিল য়াওদনা করম্না থবক হৌগনি? স্কিল হান্না দিভেলপ তৌবা তাই। পায়খত্তবা য়ারক্তে 'স্কিল ইন্দিয়া মিশন'। জুলাই ১৫, ২০১৫দা অমুক হৌরকই - স্কিল ইন্দিয়া কেম্প্যেন। হায়রকই কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী নহা ক্রোর নিফু (৪০) থবক হৈরবা (স্কিল্ড) মীওই ত্রেনিং পীগনি। কয়াদা ইকায়নীংঙাই মশক্লো য়েংবীয়ু - য়ু কে, য়ু এস এ, জপাননচিংবা লমদদি থবক শূরিবা শিন্মীশিং মানা-মানা পায়রিবা শিনফমদুদা মতিক চানা (মপুম (ফাবা) লৌশিং লৈরবা মীওইমক্তনি - চাদা চাম্মা। খা-কোরিয়াদা ফাওবা চাদা মরিফুতরানিপান (৯৮%) স্কিল্ড-লেবর ঙাক্তনি। ইন্দিয়াদা থবক শূরিবা শিন্মীশিংগী মরক্তদি শুপ্নগী চাদা অনীমখায় খক্তনা (২.৫%) স্কিল্ড লেবর ওইরগা থবক শূরিবা শিন্মীশিংনি। থা খরা মিষ্ট্রি ওইনা থবক শূরম্লগা হেদ মিষ্ট্রি ওইনা চোংথোরক্লিবা লমদমনি। কম্প্যুটর সেন্টর অমদা কম্প্যুটর ওপরেশন খরা তৌরম্লগা, খঙবদা মপা লৈত্রবা অমগুম খঞ্জদুনা মশাগী সেন্টর হাংদোক্লরিবা লমদমনি। মোদিনা খনখি - লৈবাকসিনা মাঙলিবসি সিদনি, থৌওং অসি মখা তাহনবা য়াদে। স্কিল দিভেলপমেন্ট অমসুং ওন্ত্রপ্রিন্যুরশিপ মিনিষ্ট্রি লিংখৎলকই। কদায় য়ৌনা মায় পাকপা থৌওং/থৌরাং অমা ওইখ্রবনো হায়বদুদি থিজি ল্লুদ্রবনিনা খঙজদে। পান্দম অসি ফংননবা পায়খৎখিবা পনবা য়াবা খরদি - (১) নেশনল স্কিল দিভেলপমেন্ট মিশন; (২) নেশনল পোলিসি ফোর স্কিল দিভেলপমেন্ট এন্দ ওন্ত্রপ্রিন্যুরশিপ, ২০১৫; (৪) প্রধান মন্ত্রি কৌশল বিকাশ যোজনা (পি এম কে ভি ৱাই) অমদি (৫) স্কিল লোন স্কিম... হায়রিবশিং অসিনি।

নেশনল স্কিল দিভেলপমেন্ট কোর্পোরেশন ওফ ইন্দিয়া (এন এস দি সী) প্রাইভেট পব্লিক পর্টনরশিপ কম্পনি ওইনা লিংখৎখিবসিগী য়ুম্বী মখোঙ অহুমনি :- (১) অচৌবা স্কেলদা অমদি অফবা ক্বালিটি লৈবা ভোকেশনল ইন্সটিট্যুট লিংখৎপা; (২) প্রান্ট অমদি ইক্বিটিগুম্বগী মওংদা অচৌবা শেনফম পীথবা; অমদি (৩) অশেঙবা স্কিল দিভেলপমেন্ট লৈহন্নবগীদমক তুং কোইবা সপ্পোর্ট সিষ্টম অমা শেমগৎপা।

ৱারেং অসি করিগী ইনীংলুরিবনো? মরম অমা লৈদুননি। থবক অমা মায় পাক্লা তৌবা ঙম্বা ঙমদবগী ৱাদি খঙদে, থবক অমগী খোল্লাও (স্লোগান) শেম্বই লম্‌দদি মালেমদা মপা লৈতবা লৈঙাক অমনি - দেল্লীদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক। মশীং খঙদবা খোল্লাওনি - শেমগত্তুনা লাউখিবা। নহান্তা চরাংননা লোইশিনখিবা 'ৱান নেশন, ৱান ইলেক্সন' অদুগুম্বা স্লোগানশিংগী মরক্তা অমনি ৱারেংসিগী মরু ওইবা ৱারোল ওইরিবা 'মেক ইন ইন্দিয়া' প্রোগ্রাম অসিগুম।

থিজিন হুমজিন তৌদুনা 'ইনফোর্মেশন দেতা' ময়ামদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইজবা ৱারেং নত্তে। পাবীরিবশিংনা য়ানীংবা/য়ানীংদবা, পেনবীবা পেনবীদবা ৱাফম শোয়দনা য়াওরমগনি - ঐহাক য়াজে। থেংনরুবা, পাজরুবা ইনফোর্মেশন ময়ামদগী ইরন্নাই ওইনা ফাওজরকপা ৱাখলনি - ইশানা ইশাদা তাংজবা, অতোপ্পদা তাংদবা 'আত্মা-নির্ভর-ভারত' অমা ওইহনবা হায়বদুমদি ঙসি ফাওবা মায় পাক্ত্রে। খঙদে, অতোপ্পা ষ্টেট খরদদি মশক থোকপা অহোংবা খরা লৈরমগদ্রা! ঐগী ষ্টেট, সনা থোক্তবা সনা লৈবাক মণিপুরসিদদি 'মেক ইন মণিপুর'গী মমি, করিগুম্বা হীরম অমত্তদা তাবা থেংনদে। সেল্ফ রিলাএন্ট (আত্মা-নির্ভর) নত্তবা, মীঙোন্দতা তাংজবা, টোটেল্লি দিপেন্দেন্ট ওন অদর্স - অদুগুম্বা লমদম অমা ওইরক্লে।

ফীভমসিগী তাইনফম ওইহনগুমসি অতোপ্পদা - 'লেট অজ ব্লেম ইট ওন আৱরসেলভস' - ইশাদসুম তাইনসি। মরমদি - মসি অচুম্বদুমক্লি। ●

# ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদম্বু শক্তাক্লিবী অইবী ইষ্টরিন কিরেদা ২০২৪গী সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ

**- তোংব্রম অমরজিৎ -**

মতিং লৈবা অইবা-অইবীশিং লেপ্পা লৈতনা থোক্লক্লি ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদগী। মসিমকসু য়াম্না চাওথোকচনীংঙাইনি। সাহিত্য একাদেমিনা শকখঙলবা অমসুং ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা শকখঙলবা লোল ২৪দা ফোঙবা মগুণ লৈবা লাইরিকশিংদা পীবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ কুমসি চহীগী ওইনা হৌখিবা দিসেম্বরগী ১৯দা লাউথোক্লকখি। ইন্দিয়ন ইংলিস অইবা কয়াদসু সাহিত্য একাদেমিনা চহী খুদিংগী সাহিত্য একাদেমি মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবা অমসুং শকখঙবা উৎতুনা কুমজা ১৯৬০দগী লাক্লি। ইন্দিয়ন ইংলিস অইবা আর কে নারায়নগী 'দি গাইদ' তা অহানবা সাহিত্য একাদেমি মনা পীখি। ইন্দিয়ন ইংলিস রাইটিংগী হৌদোক্লকখিবা অইবশিংদি মাইকেল মাধুসুদোন দত্তা, রবিন্দ্রনাঠ টেগোর, শ্রী অরোবিন্দো, মুল্ক রাজ অনন্দ অসিনচিংবা কয়া মথং-মথং থোক্লকপনা ওইখি। মসিগী মতুং তারকপদা ইংলিসতা ইবা ইন্দিয়ন রাইটর কয়া শাফোঙলকখি। নুপী লক্তা কমলা দাস, তোরু দত্তা, মহাশ্বেতা দেবী, অনিতা দেসাই, ঝুম্পা লাহিরি, অরুনধাতি রোই অসিনচিংবা কয়াসু লীক্লম অসিদা মথং-মথং তুং ইল্লক্লি। মখোয়না ইরিবা নোভেলশিং, শৈরেংশিং, ৱারীমচাশিংনা তোপ-তোপ্পা মহাউ অমা পীদুনা মখোয়-মখোয়গী মফম অমমম কনবা ঙল্লি ইন্দিয়ান ইংলিস খোরিরোলদা। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক্তগীসু নুপী অহলশিং চোঙথোক্লকখি। শক্লাইরবী নাগালেন্দগী কন্টেম্পররি ফোকলোরিষ্ট তেমসুলা আওসু লেপ্তুনা ইরকখি। মহাক্কী 'লেবর্নম ফোর মায় হেদ' হায়রিবা ৱারীমচাগী লাইরিক অসিদা সাহিত্য একাদেমি মনা ২০১৩ ফংখি। মসিগী মতুংদা অরুনাচলগী অইবী মমাং দাইনা মহাক্কী নোবেল 'দি ব্লেক হিল' হায়বসিদা সাহিত্য একাদেমি মনা ২০১৭তা ফংখি। অদুগা কুমজা ২০২৪গী ওইনা ইংলিসতা ইবা খ্বাইদগী ফজবা ইন্দিয়ান ইংলিস রাইটিংদা ইষ্টরিন কিরেগী কুমজা ২০২২দা ফোঙখিবা নোভেল "Spirit Nights" হায়বসিদা সাহিত্য একাদেমি মনা পীনবা লাউথোক্লকখি। মসি কয়াদা থাক ৱাংলবনো। মসিনি অৱাং নোংপোক লমদম অসিনা চাওথোকচফম ওইরিবসু। হীরম খুদিংদা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী চিদাইদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তসু তোমথিন ঙানবা কয়া থোক্লকপা লেপ্তে অমসুং য়ামখ্রবা মীওই বিলিয়নদা লৈরিবা ইন্দিয়াদা ঐখোয়সু নোপ্তে হায়বদুনা লেঙদ্রবা খুদমনি। হেন্না নুংঙাইরিবদি মণিপুরদগী শক্লাইরবী অইবী হাওবম সত্যবতিনা ইবা 'মাইনু বোরা নুংশি শৈরোল' হায়রিবা শৈরেং লাইরিক অসিদসু মণিপুরী লোলগী ওইনা সাহিত্য একাদেমি মনা পীনবা লাউথোক্লকপদা য়াওরি।

অইবী ইষ্টরিন কিরে মার্চ ২৯, ১৯৫৯দা নাগালেন্দগী কোহিমাদা লৈবা অংগামি ফূরুপকী ইমুং অমদা তাইবঙদা খোঙদারকখি। স্কুল্লিংসু বেপ্টিষ্ট ইংলিস স্কুলদা তম্লকখি। অন্দর গ্রেজুএটনা শিল্লোংদা তম্লকখি। মসিগী মতুংদা অমুক দেল্লীদা জর্নেলিজম তমখি। মখা তারকপদা অমুক ইংলিস লিটরেচরদা সাভিত্রিবাই ফুলে পুনে য়ুনিভর্সিটিদগী পি এচ দি ফংখি। ইষ্টরিনগী অহানবা শৈরেংগী লাইরিক *"Kelhoukevira"* কুমজা ১৯৮২দা ফোঙখি।

নীংশিংবা য়াবদি লাইরিক অসিনা নাগা পোইত্রি ইংলিসতা ফোঙবা অহানবা লাইরিক ওইখি। অইবী অসিগী নোবেল *"A Naga Village Remembered"* অসিসু কুমজা ২০০৩দা ফোঙখি। মসিমকসু নাগা অইবী অমনা ইংলিসতা ইবা অহানবা নোভেল অমুক ওইখি। লাইরিক অসি ফোঙখ্রবা মতুংদা মহাক্কী অনীশুবা নোভেল *"A Terrible Matriarchy"* কুমজা ২০০৭তা ফোঙলকখি। অদুগা *"Mari"* (২০১০), *"Bitter Wormwood"* (২০১১), *"Don't Run, My Love"* (২০১৭) অমসুং *"Walking the Roadless Road: Exploring the Tribes of Nagaland"* (২০১৯) মথং-মথং ফোঙলকখি।

ইষ্টরিনগী খ্বাইদগী অনৌবা নোভেল *"Spirit Nights"* কুমজা ২০২২দা ফোঙলকখি। শৈরেং,





Easterine Kire Photography by Soumyajit Dey

উপন্যাস ইবতা নত্তনা অইবীনা অঙাংশিংগী লাইরিকসু ইরি অমসুং মতম-মতমগী ওইনা আর্টিকলশিং, ৱারেংশিংসু ইরি। অহানবা মহাক্লা ইবা অঙাংশিংগী ওইবা লাইরিকসু কুমজা ২০১১দা ফোঙখি। অৱাং নোংপোক লমদম অসিদা লৈরিবা ইনাকখুল্লবা চিনবুংদা লৈরিবা খোরিরোল অসিবু নিংথিজনা অইবা ওইনা লৈহৌনবা হোৎনবগী খোঙথাং অমসু অইবী কিরেনা লৌখৎতুনা চীনবুংদা লৈবা মহাক্কী ফূরুপকী শৈরেং ২০০সু ইংলিসতা হন্দোকখি। *"A Naga Village Remembered"* হায়রিবা নোভেল অসিদা অইবীনা নাগাগী খুঙ্গং অমগা বৃটিশ লান্মীশিংগা থেংনখিবা লানফম অমগী মরমদা ইরি।

*"A Terrible Matriarchy"* হায়রিবা অসিদনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অমা ওইনা নাগালেন্দদা থেংনরিবা খুন্নাইগী মনুংগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী মরমদা ইরি। *"Mari"* হায়রিবা নোভেল অসিদনা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতমদা জপানিজশিংনা ইন্দিয়া লৌশিন্নবা হোৎনরকপা মতমদা নাগালেন্দ ফাওদুনা লাক্লগা থেংনখিবা লানগী থৌদোকশিংদা য়ূম্ফম ওইরি। মসিদা লীরিবা ৱারী অসিমকসু অশেংবা থোকখিবা ৱারী অমদা য়ূম্ফম ওইরি। নোভেলশিং অসিদা অইবীনা নাগালেন্দগী লমদম অসিদা হিংলিবা মীওইশিংনা করম্বা পূন্সি মহিংদা লৈরি হায়বসি য়াম্না মরীক চুম্না ইরি অমসুং নীংথিজনা ফোঙদোক্লি। মসিনি মহাক্কী নোভেলশিং অসিগী ফজবসু।

খুন্নাই অমসুং পূন্সিগী মমিশিং চংখোন্না লাচল্লি। *"Bitter Wormwood"* তসু অইবীনা নাগাশিংনা থেংনরিবা অমসুং মায়োক্লরিবা সোসিও পোলিটিকেল ইস্যুশিং অমসুং পীরিবা চৈথেং অমদি মসিনা মরম ওইদুনা পোলিটিকেল হেদলাইন ফাওবা ওইরিবা থৌদোক্তা য়ূম্ফম ওইদুনা য়াম্না ফজনা ৱাহৈনা য়েক্লি নোভেল অসিদা। ফজবা নাগাগী কলচরদা মিৎয়েং থমদুনা ইবগী মথক্তা ইষ্টরিননা ইরিবা অসিদা হৌজিক হৌজিক্কী খুন্নাই মরু ওইনা নাগালেন্দগী কন্টেম্পররি পূন্সি মহিং অদু ময়েক লানা উহনবা ঙল্লি অমসুং নাগা নুপীশিংগী পূন্সিদা লাক্লিবা অওনবা অহোংবশিংগীসু মমি তারি।

অইবী ইষ্টরিন কিরেগী শৈরেং *"Son of the Thundercloud"* অসিমকসু সাহিত্য একাদেমিগী বাল পুরুস্কার ২০১৮দা ফংখি। কুমজা ২০১১দসু অইবীসি *Governor's Medal for excellence in Naga literature* ফংখিবা লৈরে। *Catalan PEN barcelona* না অইবী অসিবু *Free Voice Award* পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মহাক্কী নোভেল *"Bitter Wormwood"* অসিমক কুমজা ২০১৩দা *The Hindu Prize* সোর্টলিষ্ট তৌখি। মহাক্কী নোভেল *"Spirit Nights"* না লেমজনীংঙাই ওইরবা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দ ২০২৪ ফংখি।

*"A Terrible Matriarchy", "Mari", "Forest Song", "Naga Folktales Retold"* অমসুং *"A Naga Village Remembered"* হায়রিবা লাইরিকশিং অসিমক জর্মনদা হন্দোক্তুনা ফোঙখ্রে। কুমজা ২০১৫দা মহাক্কী *"When the River Sleeps"* অসিমকসু দি হিন্দু লিটরেরি প্রাইজ পীদুনা ইকায়খুম্নখি। ইষ্টরিন কিরে হৌজিক্লা নোর্ৱেদা লৈ। মহাক্কী খূৎই অমসুং মহাক্লা লাইরিক ইবগী মরমদা অসুম্না হায়, *"I felt we needed to create written Naga Literature. We have so much oral narratives but with oral dying out, it's all going to be lost."* ইবতা নত্তনা অইবীনা জাজ পোইত্রিসু হেক-হেক পাঙথোকই। শৈরেং পাবদা যন্ত্র খোংবনি। মসিসু তোপ-তোপ্পা মহাও অমদি পীরি। মপূং ওইনা য়েংবদা অমসুং নৈনবদা অইবী ইষ্টরিন অচম্বা অইবী অমদি নত্তে হায়বা মহাক্কী খূৎই অমসুং ইরিবা লাইরিকশিংনা মশক তাক্লি।

সাহিত্য একাদেমি মনা ফংলবা মহাক্কী নোভেল *Spirit Nights,* অসিমক নাগালেন্দগী চীংশাং পরেংদা লৈরিবা লেংলি-পাল্লিবা, অচৎ-চত্ত খিবিকপু থৱায় পানবা অমগুম লুনা নুংশিনা খনবা অমসুং মহৌশাবু ঈরাৎপগী থাজনবী লৈবা খুঙ্গং অমদা সেট তৌবনি অমসুং লৌউ-শিংউ তৌদুনা শাদান্দুনা লৈরিবা পূন্সি মহিংদা য়ূম্ফম ওইরি। নোভেল অসিমক য়াম্না ফজনা অমসুং মীপূম খুদিংনা পাবদা য়াম্না কান্নবা লাইরিক অমসু ওইরি। ইষ্টরিনগী লাইরিক অয়াম্বা ইম্ফালগী লাইরিক য়োনফম দুকানশিংদা পাম্না লৈনরি। উকিয়ো অমসুং বুক্স এন্দ কোফি বুক ষ্টোরিশিংদা মরাং কায়না য়াওরি। ময়ামসু পাহন্নীংই। মণিপুরদগী ইংলিসতা ইবা অইবা কয়া থোক্লক্লি। হেন্নসু থোক্লকখিগনি থাজে অমসুং ইষ্টরিনগুম্বী অইবী কয়া অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদগী থোক্লকপা ওইসনু। ●


# ফৈজোমদুদি কদাই লৈহৌরে

ঐখোয় লৈকায়গী তাদা কোন্দুমদু নীংশিংলকই ঙসিদি ঐনা। মঙাও থীবনি, চৎমিন্নবা লুবনি। করিগীনো হায়বদা অমদো হেক থাংগৎখ্রবা অদুম খুদক্তা লীলা হৌরনি সিনি মাগী মগুণ হায়ববু।

নোংমা সেকমাই ময়াগী খুল অমদা নুপীময়ূম ওইবা লুহোংবা অমা চৎমিন্নে। লৈকায়গী ইয়াম্বা ওইবনিনা অদুম চিঞ্জরসু ঐগী গাড়ীদা অদুম লুহোংবদু চৎমিন্নে। নুপীময়ূম য়ৌরে, তা কোন্দুমসু অদুম উখিদ্রে। মাদি মাগী খূৎ থাঙ্গৎপা মতম য়ৌদুনা লৈকায়দুদা হং-হং থিরিজাৎনি। খিত্তং চৎলগা লৈবা হোটেল অমদা হংবদা তান চান্নরা য়াওরমদুনা য়োৎশিল্লে গ্লাস খরা। মানা নিশা পাল্লকপদা হোটেলদুদা লৈরম্বা নুপী অমদা কৈ-কৈনো হায়রুই হায়দনা ময়াম্না হাৎলো-হাৎলো তান্নরকপদা মথৱায় হিংনবা চেল্লকপদা শম্বল অমা লিৎপদা মাগী শেৎলিবা ফৈজোমদো শম্বলদুদা পলহৌরে। মা ফৈজোমদু লৌরকপগী মতম লৈতে, মা অদুম চেল্লকই ফৈজোম মনুংদা ফীগা থারম্বা অন্দরৱেয়র অচোনবদুগা। উচিন নাচিন্না লম্বীগী চিদাইদা লৈরম্বা পোলাংখোক অমদা য়াল্লম্বা খুদৈ অমা শৎ চিংথরগা মখ্বাংদু য়েৎশিল্লে, উচিন নাচিন হঙ্গোইবা ফীভম অদু মাঙখ্রে। লুহোংফম য়ৌরকপদদি লুহোংবা লোইদুনা থিনখিরল্লে।

অসুম্না কোন্দুমদু পান্থে অমা তৌদুনা ময়ূম য়ৌরকপদা মাগী নুপীনা হংজৈ- "শেৎখিবা ফৈজোমদুদি কদাই লৈহৌরে"।

খুম্ফম খঙদে তা কোন্দুম। কদর হৈবা তা কোন্দুমনি। মাগী নুপীদুনা শাউদনবা হায়দুনা তেথবা য়াবা তেথরে, হূই অতেবদৌনা... মমৈথংদা করি খুন্নক্কে হায়বদা "হয়েংদগীদি ঐ থক্লরোই''। থক্লরোই হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন মুকুম-মুকুম শোল্লগা- হে নুপী হায়রম্লগা তূমথদ্রে। ●



- আর কে বুধিমন্ত কর্টা

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪ গী ৱাহং**

১) **"শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ থৌরম শৈরেং"** (নট ঈশৈ), অহানবা শরুক - হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) **"নেটৱার্ক ফংদবা"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **"লাহোর উদ্রবা মখোয়দি মীওইপোক নৎত্রবগুম্বনি"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্লি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনাননো?

৪) **"ঙমখৈদদি থৱায়শিংনা**
**অঙাঙবা লৈ ওইনা শাৎলি**
**হেকই অঙাংশিংনা নীংতম্বা নুমিৎতা...॥"**

শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করিনো?

৫) **"হৌরকফম"** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।